# পোকপদগী মখোম খাইদ্রিফাওবা ওক্লাও য়োকপা

সরাংথেম জেসমারানি

শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা মণিপুরগী মীচম মীয়াম অয়াম্বনা ওক লোয়নরি। ওক য়োকপা ফনা খূৎলোয়রগসু ওক্লাও য়োকপসি কয়া খূৎলোয়দবনিনা শিবগী চাং অদুমক ৱাংনা লৈ। মসিনা শেন্দোং লৈহনবা ঙমহন্দে। ওক মপীনা মচাগা শাগোন্নরগা লৈমিন্নবা হৈরগদি য়াম্না ফৈ। করিগুম্বা মপীদু শাজৎ থীবা ওইরগদি মচা নিংথিনা শেন্নবিদবদগী শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। লুরিবদি মচা পোল্লবা তুংদা মপীদু লাইবক থীদুনা শিখিবা তারগদি ওক্লাওদু ঐখোয়না নিংথিনা শেন্নবিদ্রগদি শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই।

লমদমসিদদি চৎনবী অমা ওইনা ওক মচা হেক পোকপগা মচাশিংদু অমমম মপীনা নন্দনবা থুমোক্তা হাপ্লগা থম্লবা মতুং মচা লোইনা পোল্লগা নাওফম তারবা তুংদা মপিদগী মখোম পীথকই। মসিসু নুমিৎ ২/৩ নিদি থুমোক্তা হাপ্লগা পুথোক পুশিন তৌদুনা মখোম পীথক্লে। মসি খক তৌবীরোইদবনি।

ওক মপীনা মচা লৌখ্রবা তুংদা গর্ভ পুবগী মতমসি থা ৩, হাপ্তা ৩, নুমিৎ ৩ নিনী হায়না লায়না পাবসু য়াই। থা ৩গা হাপ্তা ২ শুখ্রগদি চাবোক্কদৌরিবা মকোন্দুগী মতাইগী কাচিন অমদা মচা থম্নবা মফম শেম শাবীগনি। হায়রিবা মচা থম্নবগী মফম শেম শাবসি শেল য়াম্না চঙদনা ৱানা নৎত্রগা উনা শাবসু য়াই। নিংথমথাগী অইংবদগী ঙাকথোক্লবা অকোয়বদসু বোরানচিংবা খাজিল্লগা মনুংদা চরু থাবীদুনা লুম্না থম্বীগনি। ওক্লাও লৈনবা কা মচাসি ওক্লাওনা চঙথোক চঙশিন তৌবদি য়াহনগনি অদুগা মপীনা চঙবা য়াহল্লোইদবনি। ওক মচা পোকপা মতমদা য়ামদ্রবদা মচা ৪ দগী ১০ ফাওবা পোকই। হায়রিবা মচাশিংসি মরী মরী পোকপদি নত্তে অদুনা ওক্না মচা হেক পোকপা মতমদা মাবু মতম পূম্নমক্তা লোয়নদুনা লৈরিবা মপুনা মনাক্তা লৈবিরগদি য়াম্না ঈংনা তপ্না মচা পোকপা ঙম্মী। অসুম্না মচা অহানবা পোকপগা পাঙথোকপীগদবা থবক থৌরমশিংদু থমজরি ঃ-

ক) ওক মচা হেক পোকপগা অনানবা অকংবা ফী অমনা ওক্লাওগী মনাতোন অমদি মচিন্দা পল্লকপা অনপ্পা মচুম অমসুং কুরাংবানশিং অদু তৈথোকপীগনি। করিগুম্বা মতমদা শ্বর হোনবা ঙমদবা তারগদি পাইপ অমা লৌরগা মনাতোন মখুন্দগী মহী মনায় অদু চিংথোকপীগনি অমদি অশেংবা নুংশিৎ মনাতোন মখুন্দা কামশিনবীবগা লোয়ননা ওক্লাও অদুগী মথবাক্তা খূৎশানা হঙ্গৎ হন্দা প্রেসর পীরগা শ্বর হোলহন্নবা হোৎনবীগনি । অসুম্না মপূং ফানা শ্বর হোনদ্রিফাওবা হঙ্গৎ হন্দা নান্দুনা শান্নবীগনি।

খ) শ্বর নিংথিনা হোল্লবা মতুংদা খোইরি ককপীগনি। খোইরি ককপা মতমদা আইওদিন্দা লুপ্পবা লংনা মবুক্তগী ইঞ্চি মখায়রোম চথোকপীরগা হায়বদি ইঞ্চি অনীরোম চথরক্লগা অনীশুবা কীশি অমা অমুক কীশিনবীগনি। কীশি অনীগী ময়ায়দা কাটি নৎত্রগা ব্লেদ অমনা খোইরি অদু ককথৎপীরগা ককফম মতোন্দুদা টিনচর আইওদিন তৈশিনবীরগা থম্বীগনি।

গ) খোইদৌ কল্লবা মতুংদা মপীদগী মখোম পীথক্লবা হোৎনবীগনি। মচা পোকপা লোইদ্রিঙৈদা ঙন্না পোল্লিবা মচাদু মখোম পীথকহৌরগদি মপীদা হোর্মোনেল চেঞ্জ অমা লাক্তুনা মচা খাও চপশিল্লক্তুনা য়াম্না থুনা মচা পোকপা লোইশিনবগা লোয়ননা নাওফমসু ঙন্না তারকই। নীংশিংবীগদবা অমনা মখোম পীথকপা মতমদা ওক মপীগী মনুংদা লৈরিবা খোমজিন পরেংদু নন্দনবা মখাদা ফি অমা থাবীদুনা মথকলোমদা পুথোকপীগনি।

ঘ) মথংদা অমুক ময়া ককপীগনি। ওক্লাওশিংদি পোকপা মতমদা ময়া নীপাল হৌরগা পোল্লকই। মথক্তা মরি মখাদা মরি হৌই। হায়রিবা ময়াসি য়াম্না তুম্বা মরম্না ওক্লাওনা মপীদগী মখোম থকপা মতমদা মপিগী খোমজিনদু চীকথৎপদগী মপীনা ফুক ফুক হৌগৎতুনা ওক্লাও ননবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মরম অসিনা ঐখোয়না ময়া নীপালদু ককথৎপীগনি। ময়া ককপা মতমদা ইরায় লায়না য়ূমদা শীজিন্নরিবা নেইল কটরনা ককপীবা য়াই। মসি ককপা মতমদা ওক্লাওগী ময়াদু ময়ায় ওইরপ্না ককপীগনি। করিগুম্বদা ঈ থোরকপা তারগসু লশিংনা নপশিন দুনা ঙাইহাক্তং থম্বীগদবনি। মসিদা অকায়বা করিসু লৈতে। মতোমতা অদুমক ফজখিগনি। চেকশিনবীগদবা অমনা ময়া ককপা মতমদা য়াখোঙ নোমদনবা অথৌবা মচিন লৈহৌদনবা অমদি য়ারি শোক্তনবা চেকশিনবীগনি।

ঙ) ময়া ককথৎলবা মতুংদা মচা পোকপা লোইদ্রগদি মপীগী মনাক্তা অদুম থম্বীগনি। মচা পোকপা লোইরগদি মকোন মনুংদা শেল্লিবা ওক্লাওনা লৈনবা কা মচাগী মনুংদা ওইনা পুল্লপ হাপচিল্লগা থম্বীগনি। নোংমদা য়ামদ্রবদা ওক্লাওশিংদু ৬/৭ লক মপীগী মখোম পীথকপীগনি। মচা পোকপদগী নুমিৎ হুমনি ফাওবদি মখোমদা য়াওবা কোলোষ্ট্রমনা নৌরিবা মশা মউ ফহন্নবা অফবা মখলগী প্রোতিন, ফেট, মিনরেল অমদি ভিটামিনশিং মতিক চানা ফংহল্লি। মসিদা নত্তনা কোলোষ্ট্রমনা পোকপদা ঙাইরিবা ওক্লাওশিংদা মমাগী পূক্লুংদা লৈরিঙৈ মতমদগী য়াওরকপা নাওথিদু ফাইদোকহনবদা মতেং পাঙই। মরমসিনা ওক্লাও অমা পোল্লবা মতুং পুং ২৪ ফাওবদা মপীগী মখোম ফংহন্নবা হোৎনবীগনি।

চ) করিগুম্বদা পোল্লকপা মচাশিংনা খোমজিন মশীংদগী হেল্লবা নৎত্রগা মপী শিদোকখ্রবা নৎত্রগা মরম খরদগী মপীগী মখোম থোকখিদ্রগদি অহেনবা ওক্লাও নৎত্রগা মপী লৈত্রবা ওক্লাওশিংদু মখোয়গা চাউবা হায়রপ মান্নবা অতোপ্পা মপী অমদা থাজিন্দুনা য়োকহনবীগনি। মসিগী খুদোংচাবা ফংদ্রগদি মপীগী মখোমগী মহুৎ শিনবা য়াবা মচিঞ্জাক পীথক্তুনা য়োক্কদবনি। ওক মপীনা মচা পোকপা হেক লোইবগা শিখিবা তারগদি ওক্লাওশিংদা কোলোষ্ট্রম থকপা ফংদ্রগদি মপিগী কোলোষ্ট্রমনা পীবা শক্তি অদুমক য়ৌবদা খরদি ৱানা থোক্কনি। মরমসিনা চেকশিন্না শেন্নবীগনি। মচা য়াম্না চেন্দবা মপীগী মনাক্তা ওক্লাওশিং থাজিনবা তারগদি মপী অদুগী অহেনবা খোমজিনশিংদু কংশিন্দ্রিঙৈদা থাজিনবীগনি। থাজিনবা মতমদা অনৌবা ওক্লাওশিং অদু হান্নগী ওক্লাওশিংগা মনম লৈবা পোৎশক অমা চাইশিনবীদুনা পুং অমরোম থম্মীন্নরবা মতুংদা মপী অদুগী মনাক্তা পুল্লপ থাজিন্দুনা মখোম পীথকপীগনি। মপীগী মখোম মহুৎ শিনবা মচিঞ্জাক মরাং কায়না পীজদুনা য়োকপা তারগদি লায়না ফংবা ঙম্বা ষণবীগী শঙ্গোম অনৌবা লিটর অমদা য়েরুম অহিংবা অনী, বদাম থাউ মিলিলিটর অনী, খোইহি মিলিলিটর ৫০, ফেরস সলফেৎ সোলুসন মিলিলিটর অনী, ভিটামিন মিনরেল মিক্সচর মিলিলিটর অনী অমদি এন্টিবাইওটিক্স মিলিগ্রাম ৪০ ফজনা থিৎলগা অঙাংগী খোংচুপ্তা হাপ্তুনা নোংমদা ৬/৬ মুক হাপ্তা অনী পীথকপীগনি। অসুম্না ওক্লাও অমনা নোংমদা মিলিলিটর ২০০ ফাওবা পীথকপা য়াই।

ছ) পোকপদগী নুমিৎ মরিনি শুবদা ওক্লাও খুদিংমক ঈ ৱাৎপগী লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা আইরন কাপথোকপীগনি। মসি নুমিৎ ১৪ নি শুবদা অমুকসু কাপথোকপীগনি। মসি নৎত্রগসু ওক মপীগী মখোম অমদি খোমজিনশিংদা ফেরস সলফেট মিলিগ্রাম ০.৫ ঈশিং অশাবা লিটর ১০ দা য়ানশিন্নদুনা শেল্লবা মহীসু নুমিৎ খুদিংগী পোকপা নুমিৎতগী মচা খায়নবা নুমিৎ ফাওবা তৌবিরগদি হায়রিবা ঈ ৱাৎপগী লায়নাসি য়াম্না লায়না কনবা ঙমগনি।

জ) নুমিৎ ২৫ নি শুরগদি ওক্লাওশিংদা অফবা মখলগী শজিক অথোৎপা অনৌবা মনা-মশিং ককথৎলগা পীজবা তম্বীগদবনি। অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী অশংবা মনা মশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনবীগনি।

ঝ) নুমিৎ ৩০-৪৫ শুরবা মতমদা অঙ্গং অশাগী ফীভম য়েংলগা মপাশা ওইরোইদবা কাঙবুদি মচা শেমদোকপীবা য়াই। মচা শেম্বা মখল অনী শুই। মখোয়দুদি ঃ

ক) কেমীকেল শীজিন্নরগা শেম্বীবা

খ) লেন্থৎলগা টেষ্টিকল লৌথোকপীবা

ক) কেমিকেল শীজিন্নরগা শেম্বীবা ঃ

হায়রিবা মওংসিগী মখাদা ওক্লাওবু মচা শেম্বা মতমদা গ্লেসিয়ল এসিটিক এসিদ - মিলিলিটর ১৭, দিষ্টিল ৱাটর-মিলিলিটর - ৮৩ অমসুং পোটাসিয়ম পরমেনগনেট ০.২৫ গ্রামনা পুনশিল্লগা শেম্বা মিলিলিটর ১০০ গী ওইবা মহীসি ওক্লাওশিংগী টেষ্টিকলদা মিলিলিটর ২/২ কাপ্পীরগা মশা শেমদোকপীবা য়াই। হীদাক কাপ্লবা মতুংদা টেষ্টিকলদু পোমখৎলগা লৈবা থেংনবীগনি। মতুং নুমিৎ ২১ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা টেষ্টিকলগী চাওবগী চাং হন্থদুনা পুম্মাং মাঙখিগনি।

খ) লেন্থৎলগা টেষ্টিকল লৌথোকপা ঃ

মসিদি ওক মপুনা অহৈবা মী অমা হেক্তা কৌরগা তৌনৈ। মসি তৌবদা ওক্লাওশিংদা চৈনাখোল ফাওবা মরম্না চাবা থকপদা খুদোংচাহন্দবসু য়াওহল্লি।

মরমসিনা মচা শেম্বগী থবক্তদি অহানবগী হীদাক কাপ্লগা শেম্বসিনা হেন্না ফবা হেল্লি। মরমদি মসিদা শেল চঙবসু নত্তে অদুগা ওক্লাওশিংদা চৈনাখোল অমত্তা পীদবনা মরম ওইরগা চাবা থবকপদা করিসু অয়েৎ অপন ওইহন্দে। মসিনা হেন্না খুদোংচাবা হেলহল্লি। অসুম্না ওক্লাওশিংবু পোকপদগী মখোম খায়দ্রিঙৈগী চৈরকসিদা চেকশিন্না শেন্নবীরগদি ওকপুশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বতা নত্তনা লৈবাক খুন্নাইগী শেল থুমগী ফীভমসু ফগৎহল্লক্কনি । ●

# কম্পোজিৎ ফিশ কলচর

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

মচিঞ্জাক চাবা খেন্নবা অমদি ঙা মখল অমনা অতোপ্পা মখল অমদা অকায়বা পীনদবা ঙা মখল কয়া পুখ্রি অমদা মতম অমত্তদা য়োকমিন্নবগী থৌওং অসিবু কম্পোজিৎ ফিশ কলচর হায়না খঙনৈ। হায়রিবা থৌওং অসিদা ঙা মখল খরনা পুখ্রিগী ঈশিংগী মথক থংবা শরুক্তা চাই, ঙা মখল খরনা পুখ্রিগী ময়ায় থংবা শরুক্তা চাই অদুগা ঙা মখল খরনা পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক লৈবাক্তা তাইনবদা চাই। হায়রিবা থৌওং অসিদা পুখ্রিগী মফম খুদিংমক শীজিন্নদুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা ঙম্মী। করিগুম্বা পুখ্রিগী মথক থংবা শরুক্তা চাবা ঙাখক্তমক য়োল্লবদি পুখ্রিগী মখা থংবা অমদি ময়ায় থংবা শরুক্তা অরেম্বদা মাঙই। মরম অদুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহননবা কম্পোজিৎ ফিশ কলচর অসি খ্বাইদগী হেন্না শীজিন্নরিবা অমদি খ্বাইদগী চানবা থৌওংনি।

কম্পোজিৎ ফিশ কলচর পাঙথোকপদা চঙবা থৌওংশিং :-

১) পুখ্রি তৌগদৌবা মফম খনবা (ক) লৈবাক লৈহাও, অফবা ঈশিং ফংবা-ফংদবা, অঙ্গং-অশাগী চাং অসিনচিংবা মুন্না খন্থবীগদবনি।

(খ) পামদবা ঙাশিং লৈবরা অমদি লায়না-তীলনা তাগনবা মফম ওইব্রা মুন্না য়েংবীহৌগদবনি।

(গ) ঙা য়োকফমগী খুদোংচাবা, চৎথোক-চৎশিনগী খুদোংচাবা অমদি খুদোংথীবা থৌওং কয়া থোক্লোইদবা মফম ওইগদবনি।

পুখ্রিগী পাক চাওবগী চাং অসি পরি তঙ্খাইদগীনা পরি অনী ফাওবা ওইগদবনি। তৌইগুম্বসুং পরি অমগী শরুক অমা থোকপগী অনীখক ওইরবসু অদুমক য়াই।

- পুখ্রিগী লুবগী চাংনা মিটর অমমখায়দগী অনী ফাওবা ওইগদবনি।
- ঈশিংগী অশিন-অয়াক্কী চাংনা $p^{H}$৭.৫ ফাওবা ওইগদবনি।
- ঈশিংদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাংনা ঈশিং লিটর অমদা মিলিগ্রাম ৫ ওইগদবনি।
- লৈবাক্তা য়াওগদবা লৈঙোইগী চাংনা চাদা ২০দগী ৪০, সিল্টনা চাদা ১৫দগী ২৩ অদুগা লৈতানগী শরুক্না চাদা ২৭তগী ৪০ ওইগদবনি।

২) পুখ্রিদা তৌগদবা থৌওংশিং :- ঙা য়োল্লবা অমদি য়োক্ত্রিঙৈদা তৌগদবা থৌওং কয়া লৈ।

ক) ঙা য়োকত্রিঙৈদা পাঙথোক্কদবা থবকশিং :- নাপী শেংদোকপা; পামদবা ঙাশিং ফাদোকপা; শুনু চাইবা-চাওরাক্লা শুনু কিলোগ্রাম ২০০দগী ৩০০ ফাওবা পরি অমদা চাইবীগদবনি; লৈহাও লৈহন্নবা হার চাইবা; করিগুম্বা ষন্থি শীজিন্নবীগে হায়রবদি কিলোগ্রাম ৫০০০ পরি অমদা শীজিন্নবীগদবনি। ওকথি, য়েন্থিনচিংবসু শীজিন্নবা য়াই।

করিগুম্বা য়ুরিয়া অমসুং সিঙ্গল সুপর ফোসফেট শীজিন্নবীগে হায়রবদি থা খুদিংগী চাওরাক্লা য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ৪০ অদুগা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলোগ্রাম ৫০ পরি অমদা শীজিন্নবীগদবনি।

খ) ঙা থাদবা - হার চাইখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৪নিগী মতুংদা ঙা থাদবা য়ারে। ঐখোয়গী খুদোংচাবগী মতুংইন্না ঙা মখল ৩,৪ নৎত্রগা ৬ য়োকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঙা মখল ৬ য়োকপা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

ঙা মখল খেন্নবগী মতুংইন্না মখোয়না চাবা মচিঞ্জাক অমদি লৈফম খেন্নৈ। ঐখোয়গী লৈবাক্তা হান্নদগী লৈজরক্লবা ঙা মখল খরগী হান্না খন্নসি।

১) কটলা হায়রিবা ঙা মখল অসি জুপ্লা কটন হায়বদি তীল মকুপ চাই অমদি ঈশিংগী মথক থংবদা লৈ।

২) রৌ হায়রিবা ঙা মখল অসি অপিকপা তীল মকুপ অমদি পাম্বী মকুংশিং চাই অমদি ঈশিংগী ময়ায় থংবা শরুক্তা লৈ।

৩) ম্রিগল হায়রিবা ঙা মখল অসি পথ্-পুমথরবা পাম্বী পুখ্রিগী লৈমায়দগী চাই অমদি লৈবাক্লা তাইনবা ঈশিংগী মখা থংবা শরুক্তা লৈ।

মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাশিং হায়বদি সিলভর কার্প অসি ফাইটোপ্লাংটন হায়বদি অপিকপা পাম্বী মকুপ চাই অমদি ঈশিংগী মথক থংবা শরুক্তা লৈ।

নাপী চাবী হায়রিবা ঙা মখল অসিনা নাপী চাই। তৌইগুম্বসুং পুখ্রিগী ঈশিংগী মথক থংবা, ময়ায় থংবা অমসুং মখা থংবা শরুক অহুম্মক্তা লৈ।

পুকলাওবী হায়রিবা ঙা মখল অসিনা পাম্বী অমসুং তীল-কাং ময়ামগী পথ্-পুমথরকপশিং পুখ্রিগী লৈবাক্তগী চাই অমদি মখা থংবা শরুক লৈমায়গা তাইনবদা লৈ।

ঙা মখল খেন্নবগী মতুংইন্না য়োক্কদবা ঙাগী মশীং -

১) কটলা - চাদা ১৫ ওইগদবনি।

২) সিলভর কার্প - চাদা ১৫ ওইগদবনি।

৩) রৌ - চাদা ২০ ওইগদবনি।

৪) নাপী চাবী - চাদা ১০ ওইগদবনি।

৫) ম্রিগল - চাদা ২০ ওইগদবনি।

৬) পুকলাওবী - চাদা ২০ ওইগদবনি।

মণিপুরগী ওইনা পরি অমা চাওবা পুখ্রিদা ঙা ১০,০০০ থাদবা য়াই। হায়রিবা ঙা মশীং অসি ঐখোয়না তৌগদৌরিবা থৌওংগী মতুংইন্না হেনগৎপা/হন্থবসু য়াই।

গ) ঙা য়োল্লবা মতুংদা পাঙথোক্কদবা থবকশিং :

১) মচিঞ্জাক পীজবা : মচল শুনা শেল্লবা মচিঞ্জাক কৈথেলদগী লৈরগা পীজবীবা য়াই নৎত্রগা চেঙকুপ অমসুং থাওথী তঙ্খাই তঙ্খাই য়ানশিন্নদুনা ভিটামিন অমসুং মিনরেল চাদা অমগী চাংদা য়ানশিন্দুনা পীজবসু য়াই। পীজবীবগী চাংদি ঙাগী অপূনবা অরূম্বগী চাদা অহুম নোংমদা পীজবীগদবনি।

২) হার হাপ্পা : ষন্থি শীজিন্নবীগে হায়রবদি থা খুদিংগী কিলোগ্রাম ১০০০ পরি অমদা হাপ্পীগদবনি। য়ুরিয়া অমদি সিঙ্গল সুপর ফোসফেট শীজিন্নরবসু য়াই।

ঘ) ঙা ফাবা : ঙা য়োল্লবা মতুং থা ১০দগী ১২ ফাওবদা ঙা ফাবীবা য়ারে। অসুম্না পরি অমা চাওবা পুখ্রিদগী ঙা কিলোগ্রাম ৩০০০ (চাওরাক্লা) ফংবা ঙমগনি। ●

# চুজাক্তা তোয়না থেংনবা মচিঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওং অমসুং চুমথোক্লবা পাম্বৈ

ডো. ৱাইখোম জিতেন

ঐখোয়গী মণিপুরগুম্বা মফমদা চুজাক থাবীবা মতমদা থেংনবা য়াবা খুদোং চাদবশিংগী মনুংদা Secondary nutrient হায়রগা খঙনবা কেলসিয়ম, মেগনিসিয়ম, সলফর অমদি মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিংগী মনুংদা মেঙ্গানিজ অমসুং জিঙ্ক ৱাৎপগী লায়ওংশিং থেংনবীবা য়াই।

কেলসিয়ম :- অশিনবা লৌফম ওইবগা লোয়ননা লৈঙোই ফোলি ওইনা লৌফম, কা হেন্না শিনবা পাৎথী কোমথীগী ওইবা মফমশিংদা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং অসি থেংনগল্লি। কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং অসি অহানবদা পাম্বীগী অনৌবা মনাশিংদা হান্না উৎলক্কনি। কেলসিয়ম ৱাৎলবা পাম্বীশিং অদুগী মতাংশিং অদু তেনবনা মরম ওইদুনা পাম্বীশিংদু নেমগনি অদুবু মপোপতি চাউগনি। অনৌবা মনাশিং অদু মচু ৱাওথরক্কনি। লোয়ননা মনাগী ওইফম থোকপা মশক মওং কায়বা অমদি মনাগী মপান্দা তৎপনচিংবা থেংনগনি। কেলসিয়ম শাথীনা ৱাৎপা লৌফমদদি চুজাক পাম্বীগী মনাগী মতোন-মতোনশিং অদু ফন্দোকখিবা ঙমদনা অতোপ্পা মনাশিংদা নপশিন্দুনা লৈবনা মরম ওইদুনা কৈরাক মানবা শক্তম অমা উগনি।

থেংননবা পাম্বৈ :- পাম্বীশিং থাদ্রিঙৈদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীবগা লোয়ননা লৌফম অদুগী তাশিনবগী চাং অদুগী মতুংইন্না হাপফম থোকপা শুনুগী চাং অদু হাপ্পীগদবনি।

মেগনিসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং :- লৈঙোই ফোলি ওইনা তৌবা অশিনবা লৌফমদা মেগনিসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং তোয়না থেংনগনি। পাৎথী কোমথী ওইনা তৌবা মফমগী লৈবাক লৈহাওদা থাবা চুজাক্তসু মেগনিসিয়ম ৱাৎপগী চাং অসি তোয়না থেংনগল্লি।

মেগনিসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং অসি পাম্বীগী অরিবা মনাদা হান্না উৎকনি। চুজাক পাম্বীশিং চাওবা হেন্দবগা লোয়ননা পাম্বীশিং অদু ময়াং ইকং কংনা উগনি। পাম্বীগী অরিবা মনাগী ময়ায় থংবা শরুকশিং অদুদা ঙাংলৈনবা মরম মরম ওইনা উবা হৌরকপগা মনাগী মতোন থংবা শরুকশিংদা শন্দোরক্কনি। অরিবা মনাশিংদা পঞ্জখ্রিবা লায়ওংশিং অসি উৎলক্লবসু অনৌবা মনাশিংদি ইশং শংনা মশা ফনা লৈগনি।

থেংননবা পাম্বৈ :- লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবদা ফংলিবা ফল অদুগী মতুংইন্না দরকার লৈবা মেগনিসিয়মগী শরুক অদু মেগনিসিয়ম সলফেট নৎত্রগা মেগনিসিয়ম ক্লোরাইদ শীজিন্নবিরগা ফংনবা হোৎনগদবনি।

সলফর :- লিশাং শিংনা লৌ উনরবা, লৈঙোইনা নম্বা অদুগা য়াম্না তোয়না ঈশিং চনবা নৎত্রগা নোং য়াম্না চুবা মফমশিং ওইবগা লোয়ননা পাম্বী-শিংবী অমদি ষন্থি-ষণয়ুংনা পৎথরগা ওইবা লৈবাক লৈশা য়াওবগী চাং নেম্বা লৌফমদা সলফর ৱাৎপগী লায়ওং তোয়না থেংনগনি। চুজাক পাম্বীশিংগী অরিবা মনাশিং অশংবা মচুদগী ৱাওথরকপা মতমদা অনৌবা মনাশিং অদুনা হঙ্গাম মপাল মচু চঙশিল্লক্কনি। সলফর ৱাৎপা পাম্বীশিং চাওদম থিনবগা লোয়ননা মপূং ফাবা থেংই অমদি চুজাক মরূ থোকপগী চাং নেমই।

থেংননবা পাম্বৈ :- লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপদা ফংলিবা ফল অদুগী মতুংইন্না দরকার লৈবা সলফরগী চাং অদু ইলিমেন্টেল সলফর, পোটাসিয়ম সলফেট, মেগনিসিয়ম সলফেট নৎত্রগা কেলসিয়ম সলফেট শীজিন্নরগা চুমথোকপীদুনা সলফর ৱাৎপনা মরম ওইদুনা পোৎথোক হন্থহনগদৌবদগী ঙাকথোকপীগদবনি।

Manganese ৱাৎপগী লায়ওং :- লৈঙোই ফোলি ওইনা তৌবা, নোং য়াম্না চুবা নৎত্রগা ঈশিং কা হেন্না চাইবা লৌফমদা Manganese ৱাৎপগী লায়ওং তোয়না থেংনৈ। Manganese ৱাৎপা লৌফমদা হৌবা চুজাক পাম্বীশিং চাওদম থিল্লি, পাম্বীশিং ময়াং ইকং কংই অমদি মনাগী মচু অসি অশংবদা ৱাওথাংনবা মচুদগী হঙ্গাম মপাল মচু ওইবা ফাওবনি। Manganese ৱাৎপগী লায়ওং অসি পাম্বী অনৌবা মনাদা হান্না উৎথোরকই। Manganese য়াম্না ৱাৎপা লৌফমদা হৌবা চুজাকশিংগী অনৌবা মনাশিংদা অশংবা মচুগী মরক্তা অঙৌবা মরম মরম লৈবা থেংনরক্কনি। Manganese ৱাৎপনা মরম ওইদুনা চুজাক্কী মহৈ পিকই অমদি মদুদা পানবা চুজাক মরূশিংসু পিকই।

থেংননবা পাম্বৈ :- লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীরগা দরকার লৈবা Manganese অদু Manganese Sulphate তগী লৌবীগদবনি। চুজাক থাবদা হাপকদবা ষন্থি-ষণয়ুংসি পাম্বী থাগদবা নুমিৎ ১০-১৫নিগী মাঙজৌননা হাপ্পীগদবনি। করিগুম্বা অহৌবা পাম্বীশিংদা মথক্কী লায়ওংশিং অসি উৎলকপা য়াওরবদি Manganese Sulphate গ্রাম ২০০-৩০০ ঈশিং লিটর ১০০দা য়ানবীরগা পাম্বীশিংদা কাপথোক্কনি।

জিঙ্ক :- চুজাক্তা জিঙ্ক ৱাৎপগী লায়ওং অসি নিংথম থাগী মতমদনা হেন্না তোয়না উবা ফংই। লৈঙোইনা নম্বা লৌফম নৎত্রগা লৈবাক অকুৎ অতোং তেম্বদা লৈখাগী লৈবাক্লা মথক থংলবা মফম নৎত্রগা ফোসফরস য়াওবা হার অমদি শুনু কা হেন্না য়াম্না চাইশিনবা লৌফমদা জিঙ্ক ৱাৎপগী লায়ওং তোয়না থেংনগনি।

চুজাক্তা জিঙ্ক ৱাৎপগী লায়ওং অসি পাম্বীনা হৌরবা মতুং নুমিৎ ১৪নি রোমগী মনুংদা অনৌবা মনাশিংদা হান্না উৎলক্কনি। অনৌবা চুজাক মনাশিংগী মখোকলোম থংবা শরুক্তা হঙ্গাম মপাল মচু নৎত্রগা অঙৌবা মপাক মপাক্কী মরমশিং লৈরক্কনি। জিঙ্ক ৱাৎপনা মরম ওইরগা চুজাক পাম্বীগী মতাংশিং অদু শাংদোকপা ঙমদদুনা মতোন থংবা শরুক্কী মপাশিং অদু চগুংননা পানবনা মরম ওইদুনা পাম্বী অদু ফেনগী মওং মানগনি।

থেংননবা পাম্বৈ : লৌফম অদুদা য়াওরিবা জিঙ্ককী চাং খঙদোক্লবা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীগদবনি। লৌফম অদুদা হাপ্পীগদবা ষন্থি-ষণয়ুংশিং পাম্বী থাদ্রিঙৈদা মাঙজৌননা হাপ্পীগদবনি। লৌফম অদু জিঙ্ক হাপ্পগী দরকার লৈবা মফম ওইরবদি জিঙ্ক সলফেট কেজি ২৫-৩০ নৎত্রগা Zinc Chelate কেজি ১০ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চহী অনী নৎত্রগা অহুম কান্নরগা চাইবীগদবনি। জিঙ্ক য়াওবা হার চাইবীবা মতমদা ফোসফরস য়াওবা হারগা তোৎশিন্নরগা চাইবীরোইদবনি। অহৌবা পাম্বীদা Pump তৌরগা কাপ্পীনবগীদমক জিঙ্ক সলফেট কেজি ৩, কেলসিয়ম ওক্সাইদ কেজি ১.৫ য়ানশিন্নবীরগা ঈশিং লিটর ৫০০দা তুমহল্লগা হাপ্তা ২-৩ কান্নরগা কাপ্পীবা কান্নে।

মথক্তা পঞ্জখিবা অসুম্না পাম্বীনা উৎথোরক্লিবা লায়ওং অদু মুন্না য়েংবীরগা করি করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌগদগে হায়বদু চুম্না লৌবীদুনা অহেনবা পোত্থোক পুথোকমিন্নসি। ●

# লাইনিংথৌ থাংচীং কোয়লে লাইগী মতাংদা শেংদোকচবা

মঙাংচা থৌদাম লাইবা

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ০৫, ২০২১, ইরাই নুমিৎকী হুইয়েন লানপাউগী লামায় ৭ তা নোদিয়া ঙাংঙোই মচানা "চীঙঙু থাংজীঙ কোয়লেল লাই" গী মরমদা ইবিরকপা পাজরে। মদুদা "ঐখোয়না পুৱারীগা মরী লৈনবা ৱারেং ইবদা ইনাৎ অমসুং পুৱারীদা শোক্কদবা ৱারোল য়াওরবদি কুপ্না থিজিন্দুনা নৈনবা মথৌ তাই।" হায়বা ৱাফমশি থাগৎনিংঙাইনি।

পুয়া মৈ থাখ্রবা মতুংদগী কংলৈপাক্তা থাজবা য়াবা মীপুম তিংনা য়ান্নরবা পুয়া লাইরিক অরিবা থিবদা য়াম্না ৱানরি। ঐনা ঐনা ফংবা অরিবা লাইরিক কয়া অমা ফংবা লৈরগসু মদু কয়াম চুম্মবগে হায়বা ৱাহং কয়া লৈরি। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্না থিজিনমীন্নদুনা অচুম্বা ওইবা য়াবা পুৱারী অমা তুংগী মীরোলগীদমক্তা থম্বীরম্বা চংই।

মতাং অসিদা ঐহাক্লা লাইনিংথৌ থাংচীং কোয়লেল লাইগী মতাংদা ইজখিবদু মীয়ামগী ওইবা লাইনিংথৌ কৌব্রু অমদি লাইনিংথৌ থাংচীংবু কন্নবা অকনবা খোল্লাউ কয়া লাউনরকপদগী খুদক্তা ঐনা থেংনজবা লাইরিক খরদগী খোমগৎচরগা ইজখিবনি। মদুনা মরোইরেদি হায়জরোই অদুবু থাজবা য়াবা কয়াদি লৈরি।

খুদম ওইনা হায়রবদা ইনিংথৌ খুয়োই তোম্পোক (খৃ: ১৫৪-২৬৪) পু পোকপা অসি নোংদা লাইরেল পাখংবা (খৃ: ৩৩-১৫৪) অসি নত্তে। মহাক্কী মমাংদা পাল্লম্বা মঙাঙ্ সালাইগী নিংথৌদি ঙাসাপা (খৃ: মমাং ৪৬ তগীনা খৃ: ১৫৪) অসিনি হায়না অরিবা লাইরিক কয়াদগী খোমজিন্দুনা ইবিরম্বা "মীতৈ য়েক সালাই-অসুপ্পা" কৌবা লাইওইখ্রবা অয়েকপম তোম্বা মীতৈ (নেসনেল এৱার্দি, ১৯৯১) অহানবা ফোংবা তাং ৩।৫।১৯৯৬ ইং লামায় ১৪৫ দা য়াওই। লোয়ননা লাই-তিনগী ৱারী ওইবদা ইবুধৌ পুরৈলোম্বনা নুমিত্তগী নোংলুম অমা পুরক্লগা লৈনুং য়াইবিরোক্তা মদুবু কোলহনলগা মরুমদগী ওল্লকপা "নোংদা লাইরেল পাখংবনা" ৩৩ এ: দি: দা পুৱারীগী মীতৈগী অহানবা নিংথৌ ওইবা য়াবা নত্তে। পুৱারী হায়রগা লাই-তিনগী ৱারীগা খেন্নৈ। পুৱারীগী মীৎয়েংদা মীতৈদি নুঙগী মতমদগী মফমসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরে হায়বগী মতাংদা লাইরিক কয়া লৈরি। (খুদম: "কংলৈপাক্কী পুৱারি"-অইবা: মোইরাংচা মোইরাংথেম নাউদ্দালেনখোম্বা, মঙাংচা থৌদাম লাইব, অঙোমচা লোংজম লাংমৈবা) লোয়ননা খম্বা-থোইবীগী ৱারী অসি ইনিংথৌ লোইয়ুম্বা (খৃ: ১০৭৪-১১২২) গী মতমদা থোকখি হায়নৈ। মরম অদুনা ইনিংথৌ লোইতোংবা (খৃ: ১১২২-১১৫০) গী মতমদা থাংচীং লাইবু হরাওবদা তাল্লক্তবা অমদি খম্বা-খমনুগী ৱায়েল থৌদা চুমদবা অসিনা মরম ওইদুনা মোইরাংদা লান্দাখিবা মতমদা পানখিবা নিংথৌদি উরা কোংয়াংবা অমসুং মথং খনবা মনাও ইবুংঙো চীংখুবা কৌই। মোইরাং নিংথৌ উরাকোংয়াংবগী অতোপ্পা মমিং অমনা উরা লাইচিংকু তেলহৈবা নৎত্রগা লাচিংখু ঙাঙোই চীংখু তেলহৈবা হায়না কৌই হায়না "নিংথৌরোল ইনোৎ" লামায় ৮৯ দা য়াম্না শেংনা ইরি। (নিংথৌরোল ইনোৎ-অহানবা শরুক-নিংঙোম্বম চীংলেন-অহানবা ফোংবা, লমতা, ২০০৫)। হায়রিবা লাইরিক অসিসু অরিবা লাইরিক ৬২ মুক্তগী খোমজিন্দুনা ইরিবনি। হায়রিবা লাইরিক অসিগী লামায় ৩৩ দা ইরিবনা "খুইয়োই তোমপোক্লা ইপুথৌ মোইরাং থাংজিংগী খুভমবু থাংজিং চীংদগী পুথদুনা তম্পাক লমদা খুভম য়াদুনা হরাওবা হৌরম্মী" হায়বসিনি॥

মথক্কী মরমশিং অসি লৈবনা ঐখোয় কোক চুংশিন্নদুনা তুংগী মীরোলগীদমক্তা অঙম্বা থৌদাং লৌমিন্নসি। ●